# মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ঃ
ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা সহি তৌনগদৌরিবা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টতা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা ঙসি মৈনো লৈরক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা মৈনো লৈরক মচিন্দা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।




ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈনো লৈরক মচিন নুপী লূপকী সেক্রেটরী অনিতানা হায়, ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) অনী য়ান্নবদা কন্সটিট্যুসন অসিদা আর্টিকল ৩৭১ (এ) লমদমসিদা চৎনহনবা য়ারোই অমদি নম্ফু হাফুদা করিগুম্বা চৎনহল্লবদি লমদম অসিগী ইমা–ইবেনশিংনা শিবা চঙবা লৈতনা লাম্হেংনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মমাঙঙৈদগী লৈজরক্লবা অপুনবগী শক্তম্মু কায়হন্দনা থম্নবগী খোঙজংদা নুপী লূপ অসিনা মতেং পাঙননবা শেম শারে। লোয়ননা এমুকো, যু সি এম অমদি সি সি এস কে অমদি অতৈ তোঙান–তোঙানবা লূপশিংনা অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা লূপ অসিনা শরুক য়ারগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

## এন এস সি এন (আই এম)না কিহল্লকপগী মায়োক্তা...

জেলিয়াংরোংগী জাতিগী আইদেন্তিতিগী ইশুদা মখোয়না খূৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে, জেলিয়াংরোং খাইদোকপা অমসুং খাইদোক্তবগী ফিরেপতি জেলিয়াংরোং মীয়াম্না লেপকদবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

এন এস সি এন–আই এমগী টাটার হোহোনা লৌখিবা ৱরেপ অদু এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা হৌখিবা মার্চ ২৬দা মখোয়গী কলেক্তিভ লিদরশিপতা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

মদুগী ওন্ন তৈন্নবদা মখোয়গী ফিরেপতা শিংনৈ হায়দুনা জেলিয়াংরোং এপেক্স বোদিশিংগী লুচিংবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌগনি হায়না ফোঙদোকখি। হিরম অসিগা মরি লৈননা জুন ২৬ তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহদা মখোয়দা কিহনলক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ৱাকৎখি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী দাইরেক্তিভ মতুং ইন্না সিজ ফয়ার মোনিটরিং গ্রুপকী মায়কৈদগী মখোয়গী সিজ ফয়ার মোনিটরিং সেলগী কনভেনরদা চে ইখি। মখোয়না জুলাই ২৩দা পীরকপা পাউখুমদা অদুগুম্বা থবক অমত্তা মখোয়না চঙবা লৈতে। জেমৈ, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈ হায়বসি গেজেট ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙলবা ত্রাইব ওইনা লৈরিবনি। জেলিয়াংরোং বৌদি অসি জেদ য়ু এফকা লোয়ননা চৎমিন্নবা কাঙবুনি হায়না লান্না শন্দোক্লি।

মখোয়না কিহনবগী থবক চঙবা লৈতে হায়রবসু, লালহৌলুপ অসিগী কলেক্তিভ লিদরশিপনা মখোয়গী কিলো মিনিষ্ট্রি (হোম মিনিষ্টি)দা ইবা চে ইদুনা জেলিয়াংরোং বৌদি, জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্ট অমসুং জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী লুচিংবশিং অসি এন্তি নেসনেল ওইরে মরম অদুনা মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলু হায়দুনা জুলাই ১৬ তা চে ইখিবনি।

মসিগী মখা তারকপদা জুলাই ১৯ দা জোইন্ট কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোক্তুনা জেলিয়াংরোং এপেক্স ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা এক্সন লৌনবগী ফিরেপ অসি সেক্যুরিতি কাউন্সিলদা শিন্নখিবা অদুনা তাকপদি এপেক্স বোদিগী লুচিংবশিং অসি মিসন অমা শেম্লগা হাত্তোক্নবা শিন্নবগা মান্নে।

ফিভম অসিদগী ঙরাং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মখোয়না পায়খৎলিবা থবকশিং অদুগী মতিক চাবা প্রমানগা লোয়ননা অমুক হন্না মেমোরেন্দম থাখ্রে। জেলিয়াংরোং এপেক্স বোদিশিং অসিদি জেলিয়াংরোং মীয়াম্না শিন্থা শিন্নদুনা থবক তৌরিবনি। মখোয়না শিংনরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা জেলিয়াংরোং মীয়াম লিশিং লিশিংনা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

জেলিয়াংরোং লুচিংবশিং অসি এন এস সিএন–আই এমনা হাৎনবা পোকদি নত্তে। জেলিয়াংরোং মীয়ামগী আইদেন্তিতিগী ইশুগীদমক থেংনবগীদমক মখোয়গী দিক্তেটতা চত্তে হায়বগীদমক মী হাৎকনি হায়বসি মালেমদা চৎনবা নত্তে, মসি লালহৌবা অমগী লিচৎ নত্তে।

জেলিয়াংরোং এপেক্স বোদিশিংনা এন এস সি এন–আই এমগী ইশুদা অয়েৎ অপন পীবা লৈতে। জেলিয়াংরোং মীয়ামগী রাইট অমসুং রিসোর্ছ কঞ্জনবা হোৎনবনি।

লালহৌলুপ অমনা সিভিল ওর্গনাইজেসনবু এন্তি নেসনেল ওই হায়বগী করি ওঠোরিতি লৈ, জেলিয়াংরোং এপেক্স বোদিশিংবু দি রিকগনাইজ তৌবগী মখোয়গী মথৌ লৈতে। লুপশিং অসি এন এস সি এন–আই এম লৈত্রিঙৈদগী লৈরক্লবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা জেদ ৱাই এফকী অসাম মণিপুর নাগালেন্দগী প্রসিদেন্ট তাইতস কামৈ, জেদ এস য়ু (এ এম এন)গী প্রসিদেন্ট নচাহেঙ কোম্পোইং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## মণিপুরদা অখন্নবা ষ্টেটস পীবগী ৱাফম হাপচিন্দুনা...

ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন শেম্বদা মণিপুরগী মীহুৎ য়াওহৌদবা অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসি থোকহন্দুনা খুদোং চাদবশিং অসি লাকহনবনি হায়না ৱা ঙাঙখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক্কী ৱারোল পীরদুনা লিপুলগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা হায়, ইন্দিয়াদা হেক তিল্লুবা মতুংদগী মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা লমদম অমা ওইদুনা লাক্লি। মসি বৃটিশ লৈঙাক কাঙলোনগী মখা শমথহৌবদগীনি। অচৌবা ফুরুপনা ফুরুপ মচাশিংবু য়োৎশিনবা, দিভাইদ অমসুং রুল পোলিসি শান্নদুনা কাঙলুপ মশেল মরক্তা য়েংথিনহনবা, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবদগী মীওইবগী হিংনবগী হকপু শিংনবা লৈঙাক্লি।

মহাক্না হায়, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট অসি তশেংনা বৃটিশনা মহাক্কী লোইলম লৈঙাকনুংদা লৈরিবা ইন্দিয়াবু মওং অমনা নৎত্রগা মখল অমদা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী শুপ্নম লৈঙাক পরিংদা লৈহনবা য়ানবা শেমখিবনি।

লৈঙাক্লোনগী চুপ্পি খুদিংমক বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী খুবাম মনুংদা পায়শিল্লগা মীয়াম্বু কিহন খংহন্দুনা লাকশিন্দুনা থম্নবা লৈঙাক্লি।

ইন্দিয়ানা ইং ১৯৪৭ তা মনিং তম্লবা মতুংদা বৃটিশনা চল্লাইরম্বা চৎন কাঙলোন অদু ইন্দিয়ানা মখা শমথদুনা খা নোংপোক এসিয়াদা খুন্দারিবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী মোঙ্গোলোইদ রেসশিংগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি তৌদুনা মুক্নহল্লি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অসিগী চাদ ৭৫ দি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট, ১৯৩৫, বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক কাংলোননি। চাদ ২৫ না অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লৌবনি হায়খি।

মণিপুরনা হৌজিক থেংনরিবা ঐখোয় মুৎখিগদ্রা হায়বগী অকিবা পোক্লকপদগী ওইরক্লিবা ইশু অসি লোইলম লৈঙাক অমা ওইরুবদগী নাকোইনবা মীওৎ মীনৈগী শরুক অমনি হায়খি।

লমদম অসিগী ইশুশিং হায়বদি আই এল পি, আফাসপা, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ, বোর্দর পিল্লর অমদি এম য়ুগী ৱাথোক খুদিংমক মণিপুরনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক নুংদা লৈরুবনা ওইবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইশুশিং অসি ৱারোইশিন পুরক্কে হায়রবদি কোলিসন ফোর ইন্দিজিন্স রাইট কেম্পেইন (সর্কা),২০১৫ কেম্পেইন তৌদুনা লাক্লিবা কোর ইশু অমা ওইরিবা প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস হঞ্জিনহন্দুনা ইশানা ইশাগী লৈঙাকচরবা মতমদা তংদু লৈতাবা লমদম ওইগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এল এম এস লো কলেজগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. এন প্রমোদনা মোদরেটর,নম্বোল এল শানোই কলেজগী এসোসিয়েট প্রোফেসার শ্রীমা নিঙোম্বম, সেনিয়ার এদভোকেট ডা. চোংথাম নরেন্দ্র, থবক্তগী পোত্থারবা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার ডা. ও কুল্লবিধু অমসুং এম য়ুগী রিসার্ছ এসোসিয়েট ডা. কে সনাতোম্বনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

## বেজ ইয়র ১৯৫১ ঃ অপুনবগী শক্তম চেৎশিলহল্লসি

মৈদিংঙৈ গরিবনিৱাজ (১৭০৯–১৭৪১)দা বাঙলদগী হিন্দু লাইনীং চৎপশিং চঙবা য়াহনখি। বৃটিষ্টকী মতম (১৮৯১–১৯৪৭)দা লল্লোল ইতিক তৌবা কারবার ৱালাশিং চঙবা য়াহনখি হায়না পল্লি। অমুকসু মৈতৈ পাঙল (মণিপুরী মুস্লিম) নিংথৌনা ষ্টেট দরবারনা শাগৈ পীরবা নত্তবা শাগৈ লৈতবা মুস্লিমশিংদি মীতোপনি হায়না লৌগনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি। পূম্নমক অসি য়েংলগা মণিপুরদা মৈহৌরোলদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তমদা চেৎশিলহন্নবা হোৎনবনি। অদুনা য়েলহৌমীশিংবু লাকশিল্লক্লিবা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীতোপশিং থিংনবা কুমজা ১৯৫০ ফাওবা চৎনরম্বা ককথৎখ্রবা ফোরেন্নর্স পার্মিট সিষ্টেমগুম্বা রেগুলেসন নৎত্রগা আইন অমা চৎনহল্লু হায়বসি মীয়ামদা দাবী তৌরকখিবনি। ষ্টেট সরকারনসু মীয়ামগী দাবী অসি লুম্না লৌদুনা ২০১৬দা মরী লৈনবা বিল ৩ ষ্টেট এসেমব্লীদা পাস তৌখি। অদুবু ভারত সরকারনা অয়াবা পীরকখিদবদগী হন্দক অমুক মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮ হিল এরিয়া কমিতিগী রিপোর্টকা লোয়ননা চৎলিবা থা অসিগী ২৩দা মত অমত্তা ওইনা পাস তৌখি। হিল এরিয়া কমিতিনসু কনাগুম্বগী প্রেসরদা বিল অদু অয়াবা পীখিবা লৈতে হায়না চেয়ারমেন টি টি হাওকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

বিল অদু লেপ্লিবা বেজ ইয়র ১৯৫১ হায়বদু য়ানিংদে হায়না হৌখিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা জে এ সি এগেন্স বেজ ইয়র ১৯৫১ ওফ মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮না খোঙজং চঙদুনা পুলিস অমসুং মীচম অশোক অপন ফাওবা য়াওখ্রে। লাক্লিবা ৱাফমসি লমদম অসিগী নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তগী লোই চল্লম্বা বৃটিসকী মতমদগী লৈরবা ইতিহাস ওইরবা রেকোর্দশিং য়েংলুরগা বেজ ইয়র ১৯৫১দা লেপ্পসি মরম চাই হায়না লৌনরি। তৌবগীদি ইন্দিয়াগী ওইনসু নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন (এন আর সি)সু লৈবাক অসিগী ওইনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি শীনবা থুংনা ১৯৫১দা অহানবা ওইনা শেমখিবনি।

১৯৫১ সেন্সসকী মতুং ইন্না জিরিবাম সব দিভিজনগী মীশিং ৭,৫৪১ ওইখি অদুগা ২০১১ সেন্সসতনা ৪৩,৮৩৮ ওইদুনা চহী ৫০ রোমসিদা চাদ ৮০.২২গী চাংদা হেনগৎলকখি। হেনগৎলক্লিবা চাং অসি নেচরেল গ্রোথকী ৱাংমদনি হায়না উৎলি।

অমুকসু কুমজা ১৯৮০দা এমসু অমসুং এমস্কোকনা মীতোপ খনে দাক্তুনা তাম্হোকপগী ইশুদা মতম অদুগী সরকারনা ইন্নখিবা রন্নি চেরোলদা বেজ ইয়র অসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনবা হৌখিবা ২৬ জনুৱারি ১৯৫০দা লেপখি। মদুনা ১৯৪৮গী ইলেক্টোরেল রোলনা দোক্যুমেন্ট ওইরগা সেন্সস ১৯৫১, এন আর সি ১৯৫১দা বে তৌগনি হায়বসিনি।

য়ান্ন–চেরোল অদু ১৯৯৪দা মতম অদুগী গভর্ণর ভি কে নয়ারগী মাঙদা অমুক হন্না য়ান্ন–চেরোল অমসু ইন্নদুনা মমাঙগী য়ান্নখিবা অদু মরক্তা ওন্থোকপা হায়না য়ান্নখি। মদু থবক্তদি ওন্থোকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক মমাঙগী রেকোর্দ কয়া নৈনরুরগা হন্দক পুথোকখিবা মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮ পুথোকখিবা মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮না বেজ ইয়র ১৯৫১দা লেপ্লিবা অসিদি মরম চাই। অদুবু বিল অসিগী মরাইবক্তি তম্বা ঙমদ্রি।

## হৈবোংপোকপীদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ
কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিগী মীয়াম্বু মশা মউ ফবা তিনজং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইনবা অমদি নোংজু পম্থা ওইবগা লোয়ননা ঈশিংদগী পোক্লকপা লায়না তিন্না অমদি লৌনগনবা লায়নাদগী ঙাকথোক্নবা দাইরেক্টোরেট ওফ আয়ুসকী সেন্থং মখাদা কাদাগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈবোংপোকপী হায় স্কুলদা গ্রাউন্দদা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কেম্প অদুদা দাইরেক্টোরেট ওফ আয়ুসকী ডাক্তর, নর্স, পেরামেদিকেল ষ্টাফ অমদি ফারমার্সিষ্ট কয়ানা শরুক য়াদুনা নুপী ১৪২ অমসুং নুপা ৬৪ পুন্না মীওই ২০৬ লায়েংখি অমসুং লেম্না হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

পাঙথোকখিবা কেম্প অসিগী মপুং ওইনা হৌখিবা থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা শোকহল্লবা মফমশিংদা পাঙথোকপনি অমসুং কেম্প অসি মখা তানা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা অতোপ্পা মফম কয়া অমদি মনুং হঞ্জিনবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ৱাৎপা মফমশিংদা পাঙথোকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

## কিচন কম ষ্টোর ৬৪৪ শানবা...

এপ্রিল অমসুং জুলাই ফাওবদা থোং থাকপগী মমল অমসুং কুক–কম হেল্পরশিংগী ওনরেরিয়ম পীথোকপদা শিজিন্নখিবনি।

শেনফম অসি মপুং ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতগী পীথরকপা শেনফমনা অমুক শিংগৎনবগী ৱাখল্লোন্দা শিজিন্নগদবা হিরম অসিদগী থৈদোক্লগা অতোপ্পা হিরমদা শিজিন্নখিবনি হায়রি।

ইং ২০১৬ কী মার্চ অমসুং এপ্রিল থাদা থোং থাকপগী মমল অমসুং কুক কম হেল্পরশিংগী ওনরেরিয়ম পীথোকপদা শিজিন্ননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৬.৯৮ পীথরকখ্রবসু হায়রিবা শেনফম অদু শিংগৎলকপগী ৱাফমদি য়াওদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা কিচন কম ষ্টোর ৬৪৪ শাবগী থবক পায়খত্তনা লৈরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্টতা ইং ২০১৭কী জুন থাদা পুখৎলে। দিপার্টমেন্টনা চহি অদুগী আগষ্ট থাদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩০.৯৭ ইং ২০১৬–১৭ কী ওইনা রেটেরিং কম্পোনেন্ট ওইনা পীরকখ্রে। লুপা ক্রোর ১৪.০২ গী শেনফম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেল হেক থাদোরকপগা পীখৎলগনি হায়না খঙহনলকখি। অদুবু ইং ২০১৮গী ফেব্রুৱারি ফাওবদা শেল থৈদোক্লগা অতোপ্পা হিরমদা শিজিন্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা কিচন কম ষ্টোর অদু শাদনা লৈরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

## কিহোম মপান্দা থাদোকপা হৌরেঃ শ্যামকুমার

অৱাবদু অদু চাদ ৮০দি কোকহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

হোর্টিকলচর দিপার্টমন্টেনা অমসুং মোমাগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টরনা কন্না হোৎনদুনা কিহোম এয়ারলিফ্‌ট তৌবা অসিনা মণিপুরগী কিহোম থারিবা লৌমীশিংদা অনৌবা মীকপ থোকপা হৌরগনি হায়খি। মরম অসিনা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা ঐখোয় ঐখোয়না থারিবা পোত্থোকশিং অদু ওর্গানিক ওইনা কেমিকেলগী হার য়াওদবা পোত্থোক পুথোকপীদুনা মণিপুরগী পোত্থোকশিং অসি মালেমগী লৈবাকশিংদা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা মোমাগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর কে দেবদত্ত শর্ম্মনা হায়,মণিপুর অসি হৌখিবা চহি কয়া অসিদা কিহোম পুথোকপগী মেপতা লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লাকপনি।

মণিপুরগী কিহোমগী মহাউ অমসুং তোপ তোপ্পা মশকশিং মালেমগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা খঙনরবনি। অদুবু পোষ্ট হার্ভেষ্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লোজিসটিক অমসুং কোল চেইনগী খুদোংচাবা লৈতবনা লমদম অসিগী কিহোম থারিবা লৌমীশিংনা মখোয়না পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অদু চাদ ৩০ দগী ৪০ ফাওবদি পৎ পুমদুনা মাঙলি।

অদুবু হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, হোর্টিকলচরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী জে সি রামথাঙা অমসুং দাইরেক্টর হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন কে কিপজেনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি, মোমানা থৌদাং লৌদুনা গুরগাউদা বেজ তৌবা এন ই এগ্রো প্রদক্টস কৌবা কম্পনি অসিগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনদুনা ঙসি অহানবা ওইনা জেট এয়ারৱেজদা কিহোম টন ১ (কেজি লিশিং ১) অসি এয়ারলিফ্‌ট তৌখিবনি।

মণিপুরগী কিহোমশিং অসি নোংমা কাল্লগা নৎত্রগা নুমিৎ খুদিংগী কিহোম কেজি লিশিং অমা অসি কিহোমগী মতম লোইদ্রিবা ফাওবা লৈবা হায়না য়ান্নবনি।

হিরম অসিদা খুমাঙ চাউশিল্লকপা হায়বসি দিপার্টমেন্ট অমসুং কিহোম থারিবা লৌমীশিংগী লাইবক ফবনি। লমদম অসিগী কিহোম অসি তগৎ তগৎ তেক্না মপান্দা পুথোকপা য়ারবনিনা পুন্না পোত্থোক ৱাৎহন্দনবা হোৎনরসি হায়খি।

## মাহুদ, আইএমসি অমসুং দিজি...

পিআইএল অসিগী নম্বরনা ৩৩ ওফ ২০১৮নি। পিটিসন অসিগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চ অসিদা এদমিট তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

কেস অসিদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী ৱাকৎলিবনা হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক ষ্ট্রিট ভেন্দর (প্রোটেক্সন ওফ লিভলিহুদ এন্দ রিগুলেসন ওফ ষ্ট্রিট (ভেন্দিং) এক্ট, ২০১৪ চৎনহল্লু, চাউন ভেন্দিং কমিতি (টিভিসি) শেম্মু, ষ্ট্রিট ভেন্দরস এক্ট, ২০১৪গী সেক্সন ৩৮গী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক চানবা স্কিমশিং নোটিফাই তৌদুনা শেম্মু অমসুং টাউন ভেন্দিং কমিতিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী সর্ভে অমা তৌবগা লোয়ননা হায়রিবা সর্ভে অসি পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু মখোয়না ফম্লকপা মফমশিংদগী লৌথোকহনবিগনু হায়বসিনি।

লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী ২০০৯দা নেসনেল পোলিসি ওন অর্বান ষ্ট্রিট ভেন্দর্স, ২০০৯ শেমখি। ফেব্রুৱারি ২০, ২০১৪দনা পার্লিয়ামেন্টতা ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (প্রোটিক্সন ওফ লিভলিহুদ এন্দ রিগুলেসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দিং) এক্ট, ২০১৪ ইনেক্ট তৌখি। হায়রিবা এক্ট অসি মে ১, ২০১৪দগী লৈবাকসিগী ষ্টেট পূম্নমক্তা চৎনহনখি। মণিপুরদসু মণিপুর ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লিভলিহুদ এন্দ রিগুলেসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দিং) রুল, ২০১৬ মণিপুর গেজেটতা ফোঙখি।

লোয়ননা চৎলিবা থাসিগী ৭তগী পুলিস পার্সোনেলশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং খুমন লম্পাক রোদতগী আইনগী ওইবা চৎন–কাংলোন অমত্তগী মখাদা নত্তনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু তানখাইবা হৌরকখি।

মথংগী নুমিৎ জুলাই ৭, ২০১৮তা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা মসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবা হোৎনখি। জুলাই ১৬, ২০১৮দনা আইএমসিগী মেয়রদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু মখোয়গী ফম্ফমশিংদা ফমহনবিনবা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা হায়জখি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা থমখি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পিআইএল অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট মৈহৌবম রাকেশকী ৱাফমশিংসু তারবা মতুংদা করিগীদমক্তা ষ্ট্রিট ভেন্নরশিং অসিবু মখোয়না ফম্লক্লিবা মফমশিং অসিদা ফমহল্লোইদবগী মরম পীরক্নবা নোটিসশিং রেস্পোন্দেন্ট অহুমদা ইশু তৌখি।

## মায় পাক্লবা লৌমী অমদি মহৈরোইশিং ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

থৌবাল, জুলাই ২৯ ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং টেন্থা কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটি (দল্লীয়ু টি কে দি সি)না শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা এগজামিনেসনদা মায় পাক্লবা ৱাংজিং টেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিং অমদি কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা খনগৎলবা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী ক্লাস টেনগী মহৈরোইশিং অমসুং মায় পাক্লবা লৌমীশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম ঙরাং ৱাংজিং লাইকোল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা ৱাংজিং টেন্থাগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন সিংহ, লাঙথেল জিলা পরিষদকী মেম্বর এস ইবোতোম্বী দেবি, টেন্থা জিলা পরিষদকী মেম্বর কেঐচ মনিশঙ দেবী, ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সিল্লর টিঐচ অমিতাব সিংহ, দল্লীয়ু এল এম সি অসিগী ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিল্লর এন বিনোয় সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সিল্লর ঐচ গৌরাঙ্গ সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৭গী কাউন্সিল্লর পি রোনি দেবী, ৱার্দ নম্বর ৮কী কাউন্সিল্লর টি নীনিশ্বরি দেবী অমসুং ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিল্লর টি নোরেন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী প্রধান, মেম্বরশিং অমদি ৱাংজিং টেন্থা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল অমদি ফাউন্দরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বোসেমনা লৌবা এগজামদা মায় পাক্লবা কেন্দ্র অসিগী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী মহৈরোই ৩ অমসুং প্রাইভেট স্কুলদগী ৩ খনগৎতুনা কেস এৱার্দ ওইনা মথং শীৎনা লুপা লিশিং ২৫, ১২ অমসুং ৮ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল ১৪গী ক্লাস তেন মহৈরোই ৩–৩ দসু কেস এৱার্দ ওইনা লুপা ২০০০, ১৫০০ অমসুং ১০০০ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি অমদি কেন্দ্র অসিগী মায় পাক্লবা লৌমী অমদসু শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫০ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ পাউনম ব্রোজেননা হায়, সমাজ অসিদা অওনবা অমা পুরকপা ঙমদ্রবদি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইরুবা কান্নদে। মতৌ করম্না চাওখৎপা সমাজ অমা ওইহনসিগে হায়না খল্লিঙৈদা ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিং নোংমা নোংমগী নিষা চাদবা লৈশিল্লক্ত্রে হায়রদুনা মসি মতৌ করম্না কোকহনগদগে অমদি ইমুং মনুং নুংশি চান্নন মতৌ করম্না লৈহনগদগে হায়বসি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা তৌবা য়াবা য়াম্না লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা লম্বী–থোং, এদুকেসন অমসুং লৌউ শীংউদা তৌবা য়াবা য়াম্না লৈ। কেন্দ্র অসি চাওখৎতনা মণিপুর চাওখৎনবা হোৎনরুবা য়ারোই। লারিক তম্বা খক্তনা এদুকেসন নত্তে হিরম খুদিংমক্তা তম্বা মথৌ তাই। লম্বী কোইলাস থারগা লমদম অমা চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। লাইরিক্তা লৌউ–শীংউদা মীনা তমজনিংঙাই ওইহনগে হায়রবদি মশা মউ ফবা নিষা চাদবা মীওইশিং লৈরক্লবা মতমদতা লমদম অমা চাওখৎপা হায়বদু ওইরক্তদৌরিবনি হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

## ভিজিলেন্সনা থিজিল্লিঙৈদা ককথৎখ্রবা কন্ট্রেক্টরনা লূপা...

কেস অসিগী এফ আই আর নম্বরনা ৫ (৩) ২০১৮ ভি এন্দ এসিপিএম অন্দর সেক্সন ৪২০, ১২০ বি আইপিসি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন–১৩(১)(দি)নি।

ভি এন্দ এসিপিএমনা কেস অসি ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল এসপি খুপলেন লৌভুম, এমপিএসনা ফাইল তৌরকপা চেনা অহুম পানবা অইবা কমপ্লেন্ট অমগী মতুং ইন্না রেজিষ্টার তৌরগা লৌখৎপনি। কেস অসি রেজিষ্টার তৌবগা পন্থদনা মতমদুগী ভি এন্দ এসিপিএমগী ওফিসার ইন চার্জসু ওইখিবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস হোপসন সাপমনা পুলিস ষ্টেস অসিগী দিপ্যুতি এসপি লীনা য়ুম্নাম অমসুং ইন্সপেক্টর ঐচ শুরেসকুমারদা মসিগী মথৌ তাবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিংসু চত্থনবা ওফিসিয়েল ওইনা শীন্নখি। কেস অসিদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা নমথাক তৌবা, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি, ক্রিমিনেল মিস কন্দক্ট অমসুং পব্লিক সর্ভেন্ট অমনা মশাগী ওফিসিয়েল পোজিসনবু লান্না শীজিন্নখি হায়না চার্জ তৌরিবা এক্যুইজশিংনা মতম অদুগী এলদিএগী চেয়ারমেনসু ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবি, এম এল এ, প্রোজেক্ট দাইরেক্টর ওইরম্বশিংদা সিঐচ গোজেন্দ্রো অমসুং টিঐচ ইবোবিনি।

ভি এন্দ এসিপিএসগী ওফিসার ইন চার্জদা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেনেন্ট খুপলেন লৌভুম (এদিস্নেল এসপি) গী রিপোর্টতুনা হায়, এলদিএগী মতমদুগী চেয়ারমেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবি, ভাইস চেয়ারমেন ওইখিবা মতমদুগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরন্টমেন্ট মিনিষ্টর থৌদাম দেবেন্দ্র অমসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টর সিঐচ গোজেন্দ্রা (মেম্বর সেক্রেটরী এলদিএ)না শরুক য়াদুনা আগষ্ট ৫, ২০০৮দা পাঙথোকখিবা মীতিং অমনা ষ্টেট কেবিনেটকী ৱারেপ নৎত্রগা এলদিএগী অতৈ মেম্বরশিংগী অয়াবা য়াওদনা লোক্তাক পাৎতগী ফুমদিশিং শেংদোক্নবগী থবক হায়দ্রবাদকী এম এম প্রোগ্রেসিভ কনষ্ট্রক্সন লিমিটেদতা পীবদা অয়াবা পীথোকখি।

থবক অসি মীফম অসিনা মখল অমত্তগী টেন্দর কৌদনা দিপার্টমেন্টেল ৱার্ক্সকী ট্রায়েল কেবিনেটনি হায়দুনা পীথোকখিবনি হায়নসু রিপোর্টসিদা পল্লি। রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়বদা থবক অসিগী ইষ্টিমেট কোষ্টনা লুপা ৩,০৬,১০,০০০নি। অদুগা থবক অসি সেন্ট্রেল পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (সিপিদব্লীয়ুদি)না পীবা প্রোভিজনশিংগী মায়োক্তনি হায়বা ৱাফমসু ময়েক শেংনা পল্লি।

খ্বাইদগী অঙকপা মওংদা চত্থখিবা এলদিএগী থৌওং অমনা ওথোরিটি অসিগী চেয়ারমেন, ভাইস চেয়ারমেন অমসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টর অহুম্না থবক অসিগীদমক মীফম পাঙথোক্তুনা কন্ট্রেক্টর অসিদা থবক পীবদা অয়াবা পীখিবা নুমিৎ আগষ্ট ৫, ২০০৮গী নুমিৎসিমক্তদা এম/এস পিসিএল অসিনা থবক অসি মখোয়দা পীবিরো হায়বগী প্রোপোজেল লেটর অমা সবমিট তৌরকখি।

অদুবু প্রোপোজেল লেটর অসি হান্না কন্ট্রেক্টর অসিগা এলদিএগী মরক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ওফিসিয়েল করেসপোন্দেন্ট তৌনখিবসু লৈতনা সবমিট তৌশিল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক এম/এস পিসিএলনা তৌরক্লিবা প্রোপেজেল অসি মতমদুগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর, এলদিএ সিঐচ গোজেন্দ্রানা অয়াবা পীথোকখি হায়রি।

থবক অসিগীদমক এল দি এনা লুপা ২,১৩,১৬,৮০৩গী শেনফমশিং কম্পেনি অসিদা পীথোক্লমখি। অদুবু হায়রিবা থবকসিগী বিল এমাউন্ট অসিদগী মখোয়না থবকসিদা শীজিন্নখিবা মেছিন্নরিশিং ৱায়বগী অমসুং দিজল থাও (ঐচএসদি) শীজিন্নখিবগী লূপা ১,০১,২২,২১৫গী শেনফমদি খায়দোকহৌখি হায়রি।

খায়দোকহৌরিবা শেনফমসিগী মথক্তা এম/এস প্রোগ্রেসিভ কনষ্ট্রক্সন লিমিটেদকী থবকসিদা সিষ্টর কনসর্ন অম ওইরিবা এম/এস কে–প্রো ইনফ্রা ৱার্ক্স প্রাইভেট লিমিটেদতা পীথোকখিবা বিলদগী অহেনবা শেনফমশিং য়াওশিনখ্রে হায়দুনা লূপা লাক্ষ ২৪.১০গী শেনফমসু রিকোভর তৌখি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাউবদা লৈরিবা থবকসিগী ফিভমশিং এম/এস পিসিএল নৎত্রগা এম/এস কে প্রো ইনফ্রা ৱার্ক্স প্রাইভেট লিমিটেদকী মায়কৈদগী থবক অসি মপুং ফানা লোয়শিল্লে হায়বগী কমপ্লিসন সার্টিফিকেট পীখৎলকপা লৈত্রি। থবক অসি এলদিএনা দিপার্টমেন্টেল ৱার্ক্স ওইনা ইকজিক্যুট তৌখিবনি।

আগষ্ট ৫, ২০০৮দা পাঙথোকখিবা এলদিএগী চেয়ারমেন, ভাইস চেয়ারমেন অমসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টরগী মীতিংনা থবক অসি এম/এস পিসিএলদা পীনবা লেপ্লখিবা অমসুং কন্ট্রেক্টরসিগী প্রোপোজেল লেটরদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং জুলাই ৪, ২০০৯দা পাঙথোকখিবা এলদিএগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না এলদিএগী টেন্দর কমিতিনা সেঙ্কসন এমাউন্টগী লূপা লাক্ষ ২২৩৭৩.৫২দগী লুপা লাক্ষ ৬৫ হেঙ্গৎলগা লুপা লাক্ষ ২২৪৩৯.২৪গী সিঙ্গল টেন্দর অমা এম/এস কে প্রো ইনফ্রা ৱার্ক্স প্রাইভেট লিমিটেদনা ওফর তৌশিল্লকপা হেঞ্জিল্লবা রেট অসিদা অয়াবসু পীথোকখিবনি।

মসিগী মখা তারকপদা ওক্টোবর ২১, ২০০৯দা পাঙথোকখিবা এলদিএগী ইগজিক্যুটিব বোদিগী মীটিং অমনা এম/এস কে প্রো ইনফ্রা ৱার্ক্স প্রাইভেট লিমিটেদ অসিদা ইষ্টিমেটেদ টেন্দরগী এমাউন্ট অসিগী চাদ ১০গী শেনফম প্লান্ট অমসুং মেছিন্নরিগীদমক ইন্টরেষ্ট ফ্রি ওইনা সিপিদব্লিয়ুদিগী প্রোভিজনশিংগী মায়োক্তা পীথোকপদসু অয়াবা পীথোকখি। মীটিং অসি মতমদুগী এলদিএগী চেয়ারমেননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফমদুদা ওথোরিটি অসিগী ভাইস চেয়ারমেন অমসুং অতৈ ওফিসিয়েল খরসু য়াওখি হায়রি।

মিটিংদা য়াওখিবশিংনা এলদিগী চেয়ারমেন ও ইবোবি, ভাইস চেয়ারমেন টিঐচ দেবেন্দ্র, এলদিএগী মেম্বর দিএস পুনিয়া, এ এন ঝা, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী পি কে সিংহ প্রোজেক্ট দাইরেক্টর টিঐচ ইবোবি শুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়র এল ভগতোন অমসুং এম/এস কে প্রো ইনফ্রা ৱার্ক্স প্রাইভেট লিমিটেদকী মীহুৎশিং ওইনা রাজা সেখর পটুরি অমসুং চিরঞ্জিভিনি। মিটিংসিদা শরুক য়াখিবা অপুনবা মীওই ৯গী মনুংদা এলদিএগী মায়কৈদগীদি শুপ্নতগী মীহুৎ মঙাখক্তনি।

মতাংসিদা মণিপুর লোক্তাক লেক (প্রোটেক্সন) রুলস, ২০০৮গী চেপ্টর ফোরগী রুল নম্বর ৬(৬)না পীরিবনা অসিগুম্বা মখলগী ৱারেপ লৌবা মীতিং অসিদদি এলদিএগী অপুনবা মেম্বর মশিংগী তঞ্চাইনা ক্বারম ওইগদবনি হায়বসিনি। মতম অদুদা এলদিএগী লৈখিবা অপুনবা মেম্বর মশিংনা ৩৭নি। মরম অসিনা মীটিংসিনা লৌখিবা ৱারেপসি রুলগী ৱাংমদা ওইবদা নত্তনা সিপিদব্লিয়ুদিগী প্রোভিজনশিংগী মায়োক্তা ওইবনা মীতিংসিদা শরুক য়াখিবা এলদিএগী মীহুৎশিংসিনা মখোয়না পায়বা পৱারশিং লান্না শীজিন্নদুনা কন্ট্রেক্টরসিগী মায়কৈদা লেপ্পগা থবক তৌখি হায়নসু রিপোর্টসিদা পল্লি। অমরোমদা, এলদিএনা সিপিদব্লীয়ুদিগী রুল নম্বর ৩২.৬কী মায়োক্তা থবকসিদা শীজিন্ননবা ট্রকশিংগীদমক লুপা ২১,৯৫,২০,০০০ সেঙ্কসন তৌদুনা পীথোকখ্রবসু শুপ্নতগী লূপা ক্রোর ৫.২৭ কি ট্রক ২৫ খক্তমক শীজিন্নখি হায়রি।

রিপোর্টসিদা মরু ওইনা পল্লিবনা এলদিএনা লোক্তাক পাৎতগী ফুমদিশিং শেংদোকহন্নবগী মতাংদা কন্ট্রেক্ট ৱার্ক – 'এলদিএ (এসঐচ মেনেজমেন্ট ওফ ফুমদি ইন লোক্তাক লেক' কীদমক কন্ট্রেক্টর অসিদা লূপা ১৭৩,৫৮,৬২,৪২৬ পীথোকখ্রবসু থবকসি লোয়শিন্নবা পীখিবা মতম লোয়রদুনা অমুক মতম হাপচিন্দুগা শাংদোকহল্লবা মতমগী মনুংদা ফাউবা লোয়শিনবা ঙমদবদগী এপ্রিল ১, ২০১৩দা থবক অসি কন্ট্রেক্টর অসিদগী ককথৎখিবনি।

অদুবু হৌজিক লক্লিবা ৱাফমদি কন্ট্রেক্টরগী মায়কৈদগী মে ৯, ২০১৩, মে ১২, ২০১৪দা ইরকখিবা চেরোলশিংগী মথক্তা ওক্টোবর ৩০, ২০১৭দা এলদিএদা তৌরকখিবা ক্লেমদা মখোয়দা পীথোকফম থোকপদগী পীথোক্কদবা লুপা ক্রোর ১১১.০২ হেনবগী শেনফমদগী পীথোক্কদবনি হায়না ক্লেম তৌরকপনি হায়রিবা শেনফমসি পীথোক্লনবা কন্ট্রেক্টরশিংগী মীচংদা দিল্লিগী মশক নাইবা লুচিংবা খরনসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর পীরে হায়নসু পাউসিনা মখা তারি।